HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং সী এ য়ুগী দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসননা পাঙ্গেগী ক্লব অনীগা খূৎশম্নদুনা ইবুধৌ মার্জিং শঙলেনদা পাঙথোকখিবা কিষান গোষ্ঠিদা শরুক য়াখিবশিং

অচুম্ববু মশক খঙবা
☛ লামায় ২

লিগেল সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৩

লুচিংবা হায়বসিবু শেমজিন-শাজিল্লগা ওইবা য়াগদ্রা?
☛ লামায় ৪

ইম্ফাল ৱেষ্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না কন্দেম তৌরক্লি
☛ লামায় ৬

প্রাইম মিনিষ্টরস-ক্যেরস ফন্দগী মখাদা হাংদোকখিবা পি এস এ ওক্সিজেন্ট প্লান্ট ৩৫গী মনুংদা অমা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা চীফ মিনিষ্টরনা প্লান্ট অমা হাংদোকখিবা



Vol. 45, Issue No. 193 | ইরাই, মেরা নীনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, October 08, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# মণিপুর হিল এরিয়াজ বিল, ২০২১ শেমদোকপা তঙাইফদে হায়না তকশিল্লক্লে

## লূপ ৮গী মীহুৎশিংনা দোনর মিনিষ্টরগা উনখ্রে, প্রাইম মিনিষ্টরদা পীগদবা মেমোরেন্দম খূৎশিন্নরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) : ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মণিপুরগী লূপ ৮গী অপূনবা মীহুৎশিংনা দোনর অমসুং টুরিজমগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জি কিষন রেদ্দিগা দেল্লীদা উনদুনা মণিপুরগী হৌজিক চরাংনদুনা লৈরিবা মরু ওইবা ইস্যু কয়াদা ৱাতানদুনা গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা অচুম অরান ফজনা খঙনা ৱারেপ লৌনবা অমদি ওইরিবা লৈবাক্কী ইস্যুশিংগী মতাংদা মীয়াম্না পেন্নদ্রিবা অসিদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি লূপ ৮ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা পান্দম, অকোম লূপ, ইপসা, কংলামৈ, কংলৈ ইমা লূপ, চনুরা লমচিংলেন কংলৈপাক অমদি কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, চাওরাক্লা পুং ১ রোম চুপ্পা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লূপ ৮গী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখিবা মীওই ৭না শাবা দেলিগেসন টিম অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা পীবা রিপ্রজেন্টেসন কোপি অমসু দোনর মিনিষ্টরগী খূথাংদা খূৎশিন্নরমখি হায়রি।

দোনর মিনিষ্ট্রিগা ফম্মিন্নদুনা উনখিবা মীফম অদুদা লূপ ৮গী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা মচং ওইবা ৱাফমশিংগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি দোনর মিনিষ্ট্রিগী অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরদা হৌজিক ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অসি মণিপুরদগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (এক্সর্নেল



এফ্যেরস) আর কে রঞ্জননা লৈরিঙৈ মতমসিদা মহাক্না খূৎশম্নদুনা লোইশিন্নবা হোৎনবদা নোর্থইষ্টর্ন রিজনগী মরী লৈনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা ওইনা শরুক য়াবীদুনা ঐখোয়গী লম অসি য়াম্না মাঙহন্দনবা অমদি মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনবীয়ু হায়না থমখি।

এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা লাক্কদৌরিবা দিভেলপমেন্ট অমদি জোব এভেন্যুশিং অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা নহারোলশিংবু শেমগৎনবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনবীয়ু হায়না থল্লমখি। হৌজিক হৌজিক্কী মীরোলদা চীং-তম হায়না খায়দোক্লবা মানবা থবক থৌশিল ময়াম অমা লৈরিবা অসি মান্নবা মীৎয়েং অমগী মখাদা থম্নবা অমদি কাঙলূপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা য়াবা অমদি তুং কোয়বা য়াবা ৱারম-পোরমশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা শেমগৎনবগীদমক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা খাইদোক্লবা নত্তবা পূনশিন্নবগী থৌশিল ওইনা তৌনবা হোৎনবীয়ু হায়না থল্লমখি।

হন্দক হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা পুথোকপীরকখিবা দি মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# এম এল এগী তোলোপ কৎথোক্তুনা চাওখৎনবা হোৎনগনি : মনিবাবু

## ১৭- লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

### মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :

কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ১৭-লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা মনিবাবু লিকমাবম (৬০)না করি করম্না ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারক্লিবনো অমদি লমশাং এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্না থবক তৌবা পাম্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী 'মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং' হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্নবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্না ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : নহা ওইরিঙৌদগী হৌনা মীয়ামগী থবক কয়া তৌদুনা অদুমক লাকখি। স্কুল-কোলেজদা ভোট লেপ্তুনা তোঙান-তোঙানবা পোষ্ট কয়া পায়দুনা মহৈরোয় খুন্নাইগী থবক তৌদুনা লাকখি। লোয়নন্না লৈকায়গী ক্লবকী সেক্রেটরি ওইদুনা হৌরকখি। লৈবাক্কী ইস্যু কয়াগী মতাংদা ষ্ট্রাইক তৌবা য়াওবগী জেলদা ফাওবা লৈরকখি। হায়জনিংলিবা ৱাফমদি মীয়ামগা লোয়নন্না অদুমক খুন্নাইগী য়াইফনবা থবক তৌরকখি। ঐহাক্না লৈজরিবা এ সী অসিদা এম এল এ কয়া হৌখ্রে। অদুবু ঐখোয়না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক তৌহন্নিংলিবা থবকশিং তৌবিরক্তবা উবদগী পেন্দবা কয়া লৈখি। মতম শাংনা নোংমদি শোয়দনা এ সী অসিগী মীহুৎশিংনা মীয়ামগী থবক তৌবিরক্কনি হায়না খন্দুনসু লাকখি। মখোয়নদি এম এল এ অমা ওইনা থবক তৌই হায়নদি খল্লম্বদি য়াই। অদুবু মীয়ামগী তৌহন্নিংলিবা থবকশিং অদু তৌবিরকখিদ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ডা. খাইদেম অথৌবা পি সী আইগী মেম্বর খল্লক্লে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মেদিয়া হাউসশিংদা থবক তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংগী মনুংদগী প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (পি সী আই)গী মেম্বর ২২ খল্লকপগী মনুংদা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী রেসিদেন্ট এদিটর ওইনা থৌ পুরিবা ডা. খাইদেম অথৌবসু পি সী আইগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## মিনিষ্টর বিশ্বজিৎ বি জে পি এন ঈ সীগী মেম্বর খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): থোংজু এ সীগী এম এল এ ওইবগী মথক্তা লৈঙাকসিগী ৱার্ক্স মিনিষ্টর ওইরিবা থোঙাম বিশ্বজিৎ বি জে পি নেসনল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী অনৌবা মেম্বর ৮০ খনবগী মনুংদা য়াওরক্লে।

মসিগী মতাংদা ঙসি বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অরুন সিংহনা মেম্বর খল্লবশিংদা অইবা চেরোলশিং পীদুনা খঙহনখ্রে। কম্মিটি অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু মেম্বর অমা ওইনা য়াওরিবনি।

## অবদুলরজাকতা নোবেল লিটরেচর প্রাইজ ২০২১ পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): তাঞ্জানিয়ান নোভেলিষ্ট অবদুল রজাক গুরনাদা স্বিদিস একাদেমিনা মহাক্না অনকমপ্রোমাইজিং এন্দ কম্পেস্নেট পেনেত্রেসন ওফ দি ইফেক্টস ওফ কোলোনিএলিজমগী মতাংদা থিজিনখিবা অদুবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা লেমজনীংঙাই ওইরবা নোবেল প্রাইজ ফোর লিটরেচর ২০২১গী মনা অসি পীখ্রে। মনা অসিদা শেল ওইনা দোলর মিলিয়ন ১.১৪ য়াওরি। মশাগী চহী ৭৩ রোম শুরবা গুরনানা হৌজিক ফাওবদা নোভেল ১০গী মথক্তা ইদুনা মীয়ামদা খুদোল তমখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.১৬০C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.৫৩০C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.০৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫৪

## HL Poll

Q: 12-Manipur Assemblygi Election mamangda meeshi meena thoraktanaba cheksin thourang loukhathouba chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: UPgi Lakhimpur Khera thoudokki matangda supreme courtna case loukhatlabanina achumba wayel fangani thajabra?

Yes 67% No 33%

## অস! লোইরেহে!

- ভোট ময়াসিদা সোসল সর্ভিস অমা তৌশিন্নজরি, সোরি তৌজরি, শেল হাপ্পীয়ু সর।



- হায়, ঐসু ভোট লেপশিন্নবনি।

# ঈ সী আইনা মণিপুরগী দি ঈ ওশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে

## পোল্লিং ষ্টেসনশিংনা কোনবা মফমশিংদগী নোংমৈশিং মতম চানা খোমগৎনবা পাউতাক পীরক্লে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): মার্চ ১৯, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন, ২০২২গী মাঙওইননা লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্কী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দি ঈ ও) শিংগগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নন্না মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী এসেমব্লি সেগমেন্টশিংগী মনুংদা লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংনা কোনবা মফমশিংদগী নোংমৈশিং মতম চানা খোমগৎনবা পাউতাক পীরকখ্রে।

মণিপুরগী অনৌবা মীখলগা মরী লৈনবা ঙসিগী মীফম অদুদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী ওফিসকী মরী লৈনবা ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি। ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ঈ সী আইগী দেপ্যুটি ইলেক্সন কম্মিস্নর নিটেস ব্যাসনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী থবক থৌরমশিং অমসুং হৌজিক ষ্টেট অসিদা চথরক্লিবা স্পেসল সম্মরি রিভিজনগী মতাংগা লোয়নন্না মীখল অসিবু মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমহন্নবগীদমক দি ঈ ওশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

ঙসিগী মীফমনা খন্নখিবা অতোপ্পা এজেন্দাশিংগী মনুংদা ইলেক্টোরেল রোলশিং অমসুং ইলেক্টরস ফোটো আইদেন্টিটি কার্দ (ঈ টি আই সী) গা মরী লৈনবা ইস্যুশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# স্কিমশিংগী মরমদা খঙদবনা য়ুটিলাইজ তৌদ্রে : য়ুনিয়ন মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) : মাইনোরিটি গ্রুপ/ক্লাসকী মীওইশিংনা মাইনোরিটিগী মীংদা কান্নবশিং ফংবা ঙমদ্রিবসি স্কিমশিংগী মতাংদা খঙদবদগীনি হায়রদুনা মাইনোরিটিগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংদা গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌরদুনা স্কিমশিং অসিগী এৱেয়র্নেস পীগদবনি হায়না য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (মাইনোরিটি এফ্যেরস) জোন বর্লানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর অসিনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তুইবোংদা লৈবা সট ভবনা মান্দব, লানভা মোদেল হায়স্কুল, গেলজাংদা শাগৎলিবা পব্লিক হেল্থ সব সেন্টর, লমকা সাউথতা লৈবা সট ভবনা মান্দব অমসুং এস এস এ রেসিদেন্সিএল স্কুলগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিল্লখিবা থৌরমশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরনা হায়, হৌজিক পায়খৎলিবা স্কুলশিং য়াওনা রেসিদেন্সিএল স্কুলশিং অমদি মসিগী টোইলেটনচিংবা শাবগী থবকশিং অসি মপূং ফাবা ফন্দশিং থাদোরক্তবা মরম্না লোইশিনবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মহাক্না মণিপুরদা লৈরিঙৈদা খৃষ্টিয়ান, মুসলিম কম্যুনিতিগী মীহুৎশিং, বিশোপ অমসুং ফাদরনচিংবা উনদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী স্কিমশিং অসিগী কান্নবশিং অসি মতৌ করম্না ফংগদগে হায়বদুগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্লমগনি হায়খি।

ঙসিগী য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, মাইনোরিটি এফ্যেরসকী দিরেক্টর, মোবেটকী চীফ এঞ্জিনিয়র অমসুং চুড়াচান্দপুরগী এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নরসু লোয়নখি।

হৌজিক ইম্ফালদা লৈরিবা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর অসিনা কাংপোকপী, সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং চুড়াচান্দপুরদা ওফিসল ইন্সপেক্সনশিং পাঙথোক্লবগীদমক থৌরাং তৌরকপগী মনুং চন্না ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লাক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফম মঙা অসিগী ফীভমশিং য়েংশিল্লখিবনি।

লানভা মোদেল হায় স্কুল য়েংশিনবগী থৌরমদা মহাক্না স্কুল অসিগীদমক টোইলেট অমা অথুবা মতমদা শানবগীদমক লুপা লাখ মাপনগী শেনফম অমা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা রিলিজ তৌরগনি হায়না থাজবা পীরমখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিভিল সোসাইটিগী লুচিংবশিং অমসুং লাইনীংগা মরী লৈনবা লুচিংবশিংনা মীয়াম্বু মখোঙদগী হৌনা ৱাখল তাহন্দ্রবদি স্কিমশিং অসিগী কান্নবা করিনো খঙদবগা লোয়নন্না মসিগী খুদোংচাবশিং ফংবা ঙম্লোই হায়খি।

# পি এস এ ওক্সিজেন প্লান্টশিং হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস):

প্রাইম মিনিষ্টরস সিটিজেন এসিষ্টেন্স এন্দ রিলিফ ইন ইমর্জেন্সি সিচুয়েসন্স ফন্দ (পি এম-ক্যেরস) কী মখাদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা ভর্চুএল মোদতা তোঙান তোঙানবা প্রেসর স্বিং এদজোর্পসন (পি এস এ) ওক্সিজেন প্লান্টশিং হাংদোক্তুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কথোকখিবগী মনুং চন্না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মহুৎ শিল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পি এস এ প্লান্ট অমগী মায়খুম হাংদোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা পি এম ক্যেরস ফন্দগী মখাদা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ মক্তা পি এস এ ওক্সিজেন প্লান্টশিং হাংদোক্লবগী অয়াবা পীবিরকপগীদমক মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়নন্না প্রাইম মিনিষ্টরনা পূক্লিং চঙবীরকপগা লোয়নন্না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরনা মতেং পাংবীরকপদগী হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী ফীভম অয়াম্বা লাকশিনবা ঙম্লে হায়খি।

পি এম ক্যেরস ফন্দগী মখাদা ওক্সিজেন প্লান্ট ১৬ লিংখৎপগী মথক্তা ত্রাইবেল এফ্যেরস অমসুং হিলস দিপার্টমেন্টকী শেন্থংদগী তোঙান তোঙানবা মেদিকেল ফেসিলিটিশিংদা পি এস এ প্লান্ট তরুকসু থমখ্রে । মসিগী মথক্তা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু জেনিমসতা এল পি এম লিশীং ১গী পি এস এ প্লান্ট অনী অমসুং ১০ অমসুং ২০ কে এলগী লিক্যুইদ মেদিকেল ওক্সিজেন্ট টেঙ্কশিংসু পোরোম্পাৎতা থল্লে হায়খি।

অমরোমদা, হৌজিক মণিপুরগী খোঙচৎতা লৈরিবা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (মাইনোরিটি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# মেরা চাওরেল হৌবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): ঙসি মেরাগী নোংমা পানবা নুমিৎতা মমাঙগী চহীশিংদগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবগুম মেরা চাওরেল হৌবগী থৌরমশিং সনা কোনুংগী উত্রা শঙলেন, হয়িং খোংবালগী উফোং য়ূম্ফম অমসুং সনামহী কিয়োংদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা নুমিৎ অসিগী থৌনি থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে।

উত্রা শঙলেনগী থৌরম অদু অঙোম নিংথৌনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবনি। সনা কোনুংগী মসিল মনুং চন্না মেরা থাদা পাঙথোকপা চাওরেল হৌবগী থৌরমনি। থৌরম অসিদা ইবুধৌ নোংশাবা, ইবুধৌ পাখংবা অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# সাইনিক স্কুলগী গোল্ডন জুবিলিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

## গর্লস কেদেটশিং এনরোল তৌরে, সী এমনা গর্লস হোষ্টেলগী উরেপ তমখ্রে, নুপীমচাশিংগী ৱাশ রুম কমপ্লেক্স শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) : তোঙান তোঙানবা কম্পিটিটিভ এগজামিনেসনশিংদা মণিপুরদগী মশক নাইনা মায় পাক্লকখিবশিং অসিনা ঐহাক মণিপুরী অমা ওইনা চাওথোকচবা পোকই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি সাইনিক স্কুল ইম্ফাল লিংখৎখিবগী চহী ৫০ শুরকপা গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসনদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা মাগী মাগী লৈরিবা পোপ্যুলেসনগা য়েংনরুবদা মণিপুরনা খ্বাইদগী ৱাংবা রেসিওদা দিফেন্স ওফিসরশিং লৈরে। লোয়নন্না সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী কেদেট ১৫না হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নেসনল দিফেন্স একাদেমি (এন দি এ) এগজামিনেসনদা মায় পাক্লকখিববুসু নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মসিগী মথক্তা য়ু পি এস সীনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেসন, ২০২০গী হন্দক্তা লাউথোকখিবা রিজল্টদা মণিপুরদগী কেন্দিদেট ৬না মায় পাক্লকখ্রে হায়বগা লোয়নন্না চীফ মিনিষ্টরস স্কোলরসিপ স্কিমনচিংবগী মখাদা সিভিল সর্ভিসেস এসপিরেন্টশিংবু মসিগী কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ষ্টেট লৈঙাক্না সাইনিক স্কুল ইম্ফালবু চলাইবদা মথৌ তাবা ফন্দশিং লেপ্তুনা পীখিগনি হায়বগা লোয়নন্না সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টদা স্কুল অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংবু অপগ্রেদ তৌবীনবা তকশিন্দুনা লাকপগী মথক্তা অতোপ্পা স্কুলশিংগা চাংদম্নবা ঙম্নবগীদমক মতমগা চুনবা খুদোংচাবশিং পীনবসু হোৎনরি হায়খি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫





# আধার কার্দ শেমদোক-শেমজিন তৌবা হুরানবা গেঙ ১ লৈরব্রা

গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) : ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্তানা প্রো-দেমোক্রেসিগী লুচিংবী ওং সান সু চিবু ফাজিন্দুনা থম্বগা লোয়নন্না চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১দগী হৌনা লৈবাক অসিদা মিলিটরিনা কু তৌশিনখিবদগী মীহাৎ-মীপূন, মীওৎ-মীনৈ চথরকখিবদা খাংবা ঙমদদুনা ম্যান্মারগী মীওই কয়া য়ূমলোন্নরিবা লৈবাকশিংদা লাঞ্জেন্নরকপগী থবক লেপ্তুনা চথরক্লি। অদুবু মখোয়শিং অদুগীদমক আধার কার্দ শেমজিন শাজিন্দুনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা য়াননবা হোৎনবা অচৌবা হুরানবা খূৎপু অমা লৈরব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

ইন্দো-ম্যান্মার লমখৈদা লৈরিবা মণিপুরদসু মীওই কয়া চঙশিল্লক্তুনা শেমজিন শাজিনবা আধার কার্দশিং পায়রগা মোরে ফাওদুনা লাক্লগা নেসনল হায়ৱে-১০২ (ইম্ফাল-মোরে) লম্বীদা চেক পোষ্ট কয়া লান্দুনা অমদি অরোনবা লম্বীশিং য়াওনা চুড়াচান্দপুর রোমদগীসু চঙশিল্লক্তুনা মখোয় মখোয়না শাফগদবা মফমশিংদা নোংথক অমদি লৈখাগী লম্বীদা চৎখিনবা থৌরাং কয়া হোৎনরকপগী মমি য়াম্না চাউনা তারে।

ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা মমাঙ থাগী ৩০দা শেমজিন শাজিনবা আধার কার্দ পায়দুনা দেল্লীদা চৎনবা হোৎনরম্বা জুবেনাইল ৩ য়াওনা মীওই ১৪ ইন্দিগো ফ্লাইটকী ষ্টাফশিংনা থেংনরকপদগী ফাগৎখিবা লৈখ্রে। মখোয়গী মথক্তা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনন্না কেস অমা লৌখৎতুনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে। থৌদোক অসিগী মতুং থা অসিগী ৫দসু অরানবা মওংদা শেমজিন শাজিনবা আধার কার্দশিং পায়রগা মোরেদগী ইম্ফালদা লাক্লবা হোৎনরম্বা ম্যান্মার মচা ২৪ লম্বী অসিগী খুদেংথাবী পোষ্টতা লৈবা ২০শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা ফাগৎখিবসু লৈখ্রে। থৌদোক অনীসিগী মতুং তারকপা অহুম্লকশুবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭





# পোজিটিভ কেসতগী ফগৎলকপনা হেল্লে, ১ লৈখিদে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১৬ থেংনজরবসু ঙসিগী ওইনা মীওই ১৪০ ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবনা মরম ওইরদুনা ঙসিগী ওইনদি নৌনা পোজিটিভ ওইরকপা মীশিংদগী ফগৎলকপগী মীশিংনা হেনখ্রে। অদুম ওইনমক হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমা লৈখিদ্রে হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইরবশিংদি সী এ পি এফ ১ অমসুং মীচম মীয়াম ১১৫ (নুপা ৫৬, নুপী ৫৯) নি। কেসশিং অসি রিমসতা ৯, জেনিমস ৭ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদা ১০০ থেংনখিবনি। অদুগা পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট ৩৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৫৯, থৌবাল ৫, বিষ্ণুপুর ৫, ককচীং ২, উখ্রুল ৩, চুড়াচান্দপুর ২, চান্দেল ২, কামজোং ১, ফেরজোল ১ অমসুং নোনেদগী মীওই ২ নি হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মীয়ামদা / 'হুইয়েন লানপাউ' না খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা হান্নদগী টিদ্দিম লম্বীগী কৈশাম্পাৎ (চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক) তা লৈরকপা পাউচে অসিগী মতম খরা থোঙ হাংলুদ্রবা ওফিস অদু অমুক হন্না হাংদোকচরে।

মরম অসিনা মীয়াম্না পাউচে অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগীদমক ওফিস অসিদা লাকপীবগা লোয়নন্না প্রেস রিলিজ, ইনভাইটেসন অমদি এদভর্টিজমেন্টশিং ওফিস অসিদা পীবিরনবা খঙহঞ্জরি।

*খঙহঞ্জরিবা : হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*